**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 17-03-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) চুরাচান্দপুর জিলা শিনবা থুংবদা ভারতিয়া নাগরিক সুরক্ষা সনহিতা ২০২৩ গী সেক্সন ১৬৩ গী মখাদা মতম কক্তনা ঙসি খুদক্তগী অথিংবা থমখ্রে।

জিলা অসিগী দিপ্যুতি কন্মিসনার এস. ধরুন কুমারনা মীয়ামদা শান্তি ওইনা লৈবীনবা আপীল তৌরক্লি।

২) অসাম রাইফলসনা চান্দেল জিলাগী কুলজাংদগী লুপা কোতি ৩ লাখ ২৯ রোমগী ওইগদবা ব্রাউনসুগর ফারে।

৩) আই.বি.এস.দিনা শিনবা নুমিৎ ৫ চত্থগদবা- হেন্দস ওন ত্রেনিং ওন প্লান্ট টিস্যু কলচর হায়বা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসিদগী ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী তাকয়েলপাৎতা হৌখ্রে।

৪) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- লৈবাক অনিগী মরক্তা ফ্রি ত্রেদ এগ্রিমেন্ট সহি তৌদুনা নাকল অনিমক্কী কান্নমিন্নবা খোঙথাংশিং পায়খৎলগনি।

অমসুং

৫) ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহ অমসুং আমেরিকাগী নেসনেল ইন্তেলিজেন্সকী দাইরেক্তর তুলসি গবার্দকা তোঙান তোঙানবা লমদা তেংবাং পীননবা ৱারী শান্নখ্রে।

------

সিসিপুর (এল)ঃ চুরাচান্দপুর জিলা শিনবা থুংবদা ভারতিয়া নাগরিক সুরক্সা সনহিতা ২০২৩ গী সেক্সন ১৬৩ গী মখাদা মতম কক্তনা ঙসি খুদক্তগী অথিংবা থমখ্রে। অথিংবা অসি লৈরিঙৈ মনুংদা অয়াবা য়াওদনা সভা যাত্রা চৎপা, মী মঙা নত্রগা মঙাদগী হেন্না পুনবা অমসুং অশোক অপন থোকহনবা য়াবা খুৎলায় পুদুনা চৎপা থিংলে। মসিগী মতাংদা ঙসি জিলা অসিগী এদ্দিসনেল দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা ওর্দর অমা থোকখ্রে। ওর্দর অসিগী মতুংইন্না খোঙথাং অসি জিলা অসিদা লৈরিবা কাংলুপ মশেলগী মরক্তা শান্তি রক্সাগী ফিভমদা অকায়বা থোকহল্লকপা য়াবগী ফিভম লৈবদগীনি। অদুমওইনমক, অথিংবা অসি সরকারগী শান্তি রক্সা ঙাকশেল্লিবা অমসুং ইসেন্সিয়েল সার্ভিসশিংগী ওইনদি কোমথোক্কনি হায়রি।

জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার এস. ধরুন কুমারনা মীয়ামদা শান্তি ওইনা লৈবীনবা আপীল তৌরক্লি। চেরোল অমদা মহাকা হায়- জিলা অসিগী মীয়ামা মখোয়গী তোঙান তোঙানবা থাজবা অমসুং চৎনবীশিংগী খেন্নবা থমদনা অমত্তা ওইনা নুংশি চান্ননা লৈবীনবীয়ু। জিলা অসিদা লৈরিবা কাংলুপশিংগী লুচিংবশিংনসু ৰারী শান্নদুনা খেন্নবা লৈরিবশিং অদু ৰারোইশিন পুরকবা হোৎনবীয়ু।

কাংপোকপী (এল)ঃ কাংপোকপী জিলাগী তমনৌপোকপী খুলদা থোকপা লম্বীগী লাইবক থিবা থৌদোক্তো মীওই অমা লৈখিদ্রে, অহুমা শোক্লে।

ঐখোয়গী কাংপোকপী পাউমী ভাগুনৈ সিংসিৎনা হায়- থৌদোক অদু তুমনৌপোকপী খুলদা ঙসি ঔতোরিক্সো অমা কলভর্টতা তাশিনবদা থোকখিবনি। লৈখিদ্রবা মীওই অদু উখ্রুল জিলাগী লিতান সরৈখোংদগী ঔতোরিক্সো অদু থৌরকপা মীওইনি। অশোকপশিং মনাক নকপা হোস্পিতালদা পুখৎতুনা লায়কন্নরি।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা চান্দেল জিলাগী কুলজাংদগী লুপা কোতি ৩ লাখ ২৯ রোমগী ওইগদবা ব্রাউনসুগর ফারে।

আই.জি.এ.আর (সাউথ) হেদক্বাটরনা ঙরাং ওপরেসন কুলজাং চথখিবদা সাপোন কেপ ১৩৭ তা হাপ্লন্বা ব্রাউনসুগরশিং অমসুং মীওইবা অমা ফাগৎপা ঙমখি।

অসাম রাইফলসনা খাংবরোল-জোপী-চুরাচান্দপুর লম্বীদা আইন্না য়াদবা পোৎলমশিং পুরে হায়বগী অককবা পাউ ফংবদগী খুন্দক্তা ফোর্স অসিগী দাইনামিক মোবাইল ভেহিকল চ্যেক পোষ্ট কুলজাংদা হাংদুনা গাড়িশিং চ্যেক তৌখি। মদুদা মরুতি ভেন অমদগী ব্রাউনসুগরশিং অদু ফাগৎখিবনি। ফাগৎলবা পোৎলমশিং অমসুং মীওই অদু মোলজাং পুলিস ষ্টেসনদা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎনবা শিন্নখ্রে।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা চুরাচান্দপুর জিলাদগী নহা ২০ দা স্কিল ত্রেনিং পীননবগী প্রোগ্রাম অমা হৌদোকখ্রে। মসিগী শরুক অমা ওইনা মখোয়দা ম্যুজিকেল ইন্সটরুমেন্টশিং খোংবা, উ শুবা অমসুং কম্প্যুটরগী ত্রেনিং পীগনি।

তমেংলোং (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি তমেংলোংনা নেসনেল তোবেকো কন্ত্রোল প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা জিলা থাক্কী মীফম অমা ঙসি জিলা অসিগী হেদক্বাটরদা লৈবা মিনি সেক্রেটরিয়েটকী দি.সি কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে। ঙসিগী থৌরম অদুদা জিলা অদুগী দিপ্যুরতি কম্মিসনার ডাঃ অংসিম এল. দাংসৱা, এস.পি, চীফ মেদিকেল ওফিসার, চীফ একজিক্যুতিভ ওফিসার এ.দি.সি তমেংলোং, জোনেল ইদুকেসন ওফিসার অমসুং অতৈ মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি।

টিস্যুকলচর (এল)ঃ নুমিৎ ৫ চথগদবা হেন্দস ওন ত্রেনিং ওন প্লান্ট টিস্যু কলচর হায়বা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসিদগী ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী তাকয়েলপাৎতা লৈবা ব্রিক-ইন্সটিট্যুট ওফ বাইও রিছোর্সেস এন্দ সষ্টেনেবল দিভলপমেন্টকী কনফরেন্স হোলদা হৌখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরমদা, সেন্ত্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিতি ইম্ফালগী ভাইস চাঞ্চেলর ডা.অনুপম মিশ্রা অমসুং ব্রিক-আই.এস.বি.দিগী

দাইরেক্তর(এদ্দিস্নেল চার্জ) ডা: ননাওচা শর্ম্মা শরুক য়াখি। ডাঃ অনুপম মিশ্রানা মহাক্কী ৱারোলদা হায়- ঙসি প্লান্ট তিসু কলচর অসি অনৌবা মওংগা লৌউ শিংউবগী থবক থৌওংশিংদা হেন্না শিজিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। মহাকা আই.বি.এস.দিনা ক্লাসরুমদা তম্লিবা থিওরিতিকেল নোলেজশিংগা ফিল্ডদা কুমদুনা ফংলিবা প্রাতিকেল স্কিলশিংগী মরক্তা খেন্নবা লৈহন্দনা তাকপী তম্বীবগীদমকসু শিংথাখি।

য়াওশঙ (এল)ঃ মণিপুরদা য়াওশঙ কুম্হৈগী ঙসি মরিনি চনবা নুমিত্তসু লৈকাই লৈকাইদা য়াওশঙ স্পোর্টস মখা চত্থরি। মফম খরদদি য়াওশঙগী স্পোর্টসশিং অসি ঙসি লোইশিন্নবা শেম শান্নরি।

মরক অসিদা, য়াওশঙ কুম্হৈ মনুংদা লম্বী লমজাউদা পামদবা থৌদোকশিং অমসুং গারি এক্সিদেন্টনচিংবা থোকহন্দনবা মণিপুর ত্রাফিক পুলিসনা লৌখৎপা অখন্নবা চেকশিল থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা ঙসিসু ইম্ফাল সহর য়াওনা তম্পাক্কী মফম কয়াদা অচৎ অওকশিং চেক তৌবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি। মীয়াম অমসুং গারি থৌরিবশিং অশোয় অঙাম থোকহন্দনবা ময়াই কাবা চিঙ্গাক চারগা গারি থৌবা, চহী সুদবা অঙাংশিংনা গারি থৌবা অমসুং তোংবা য়াবা চাংদগী হেন্না তোংশিল্লগা গারি থৌবশিং ফাগৎপগী থবক চত্থরি।

এআর (এল)ঃ ২৬ শুবা সেক্তর অসাম রাইফলসনা নেসনেল ইন্তিগ্রেসন টুরদা শরুক য়ারুবা মহৈরোইশিং ওকপগী থৌরম অমা ঙসি অসাম রাইফলসকী পল্লেল হেদক্বাটরদা লৈবা শঙাই ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে। ঙসিগী থৌরম অদুদা শরুক য়ারুবা মহৈরোইশিংনা নাৎকী ওইবা জগোই ঈশৈল উৎখি। মহৈরোইশিং অসিনা টুর অসিগী শরুক অমা ওইনা চহি অসিগী ফেব্রুৱারি ২৬ তগী দিল্লি অমসুং দেহরাদুনদা চৎলুরবা মতুংদা রাজ্য অসিদা থুংলখিবনি।

অসাম রাইফলসনা য়াওশঙ কুম্হৈগা মরী লৈননা ককচিং জিলাগী সেরৌ, ৱাইখোং

মৈ (এল)ঃ মণিপুর তম্পাক্কী মফম অনিদা ঙরাং চাউনা মৈ চাকখ্রে। মণিপুর ফায়র সর্ভিসকী পাউনা হায়-ঙরাং নুমিদাং পুং ৮ অদুৱাইদা লিলোং উশোইপোকপীদা লৈবা গ্রোসরি, ক্লিনিক অমসুং ফার্মসি য়াওবা দুকান পরেং অমা খঙহৌদনা মৈ চাক্লকপদগী ইম্ফালদগী ফায়র তেন্দর অহুম, থৌবালদগী ফায়র তেন্দর অনি শিজিন্নদুনা কা হেন্না মাং তাক্লমগদবদগী কনবা ঙমখি।

অমরোমদা, ঙরাং নুমিদাং পুং ১১ অদুৱাইদা ইম্ফাল ইষ্টকী খাবম লমখাইদা লৈবা স্তোর রুম অমা মৈ চাক্লকপদগী ইম্ফালদগী ফায়র তেন্দর অনি চংশিন্দুনা কা হেন্না মাংলমগদবদগী কলহৌখি।

মেট ঃ ইন্দিয়া মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি- ঙসি মণিপুর, মিজোরাম, মেঘালয়, নাগালেন্দ অমসুং অসামদা নোংলৈ নুংশিৎ তৌরবা য়াই। অরুনাচল প্রদেশতনা ঙসি রাজ্য অদুগী মচি মচিদা অকনবা নোং চুগনি।

অমরোমদা, অৱাং নোংচুপ ভারত্তগী ঙসি হুমি মরিনি অসিদা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ২ দগী ৪ ফাওবা তপা তপা হেনগৎলকপা য়াই হায়রি। উরিষাগী জিলা কয়াদা শাবগী চাং খঙহেন হেনগৎলকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈবনা ইন্দিয়া মেট দিপার্টমেন্টনা ঙসিগী ওইবা হিট ৱেভ ৱার্নিং পীখ্রে। রাজ্য অসিগী জর্সুগুদা সম্বলপুর অমসুং কলাহান্দি জিলাশিংদা শাথিনা শাবা য়াবগী ফীভম লৈবনা মেট দিপার্টমেন্টনা রেদ ৱার্নিং তৌরি। অয়ুক পুং ১১ দগী নুংথিল পুং ৩ ফাওবা কা হেন্না শাগদবা মতমশিংদা মীয়ামা চথোকপা তারবদি অখন্নবা চেকশিল থৌরাং লৌখৎনবসু দিপার্টমেন্ট অসিনা হায়রি।

টেলঙ্গনাদা অপুনবা জিলা ৩৩ গী মনুংদা ২২ দা সেলসিয়স দিগ্রি ৪০ গী মথক্তা শাবা থেংনরে। রাজ্য অসিদা শাবগী চাং অসুম হেনগৎলকপা য়ানা লৈরি। টেলঙ্গনা দিভলপমেন্ট প্লানিং সোসাইটিগী দেতা মতুং ইন্না হৌখিবা পুং ২৪ দা অশিফাবাদতা খ্বাইদগী হেন্না সেলসিয়স দিগ্রি ৪২.৪ য়ৌনা শাখি। রাজ্যগী কোনুং হাইদ্রাবাদতসু শাবগী চাং হেনগৎলক্লি।

পিএম ঃ   মপান থৌরম মন্ত্রালয়গী ওবজার্ভর রিছার্স ফাউন্দেসন্না শিনবা রাইসিনা দাইলোগ ২০২৫ শরুক য়াননবা লাকখিবা নিউ জিলেন্দ প্রধান মন্ত্রি খৃষ্টোফর লক্সনগা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগা ঙসি উন্নখ্রে। লুচিংবা অনিনা লৈবাক অনিগী মরক্তা ঙাকশেলগী মতাংদা হেন্না তেংবাং পীনবা অমসুং দেরি, ফুড প্রোসেসিং, ফারমাসিউতিকেল, রিন্যুএবল ইনর্জি, ইজ্‌কেসন, হোলর্তিকলচর  অমসুং অতৈ তোঙান তোঙানবা হিরমদা তেংবাং পীনবগী মতাংদা খন্নখি।

তুংদা, প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা পাউমীশিংগা উন্নবদা হায়- লৈবাক অনিগী মরক্তা ফ্রি ত্রেদ এগ্রিমেন্ট সহি তৌদুনা নাকল অনিমক্কী কান্নমিন্নবা খোঙথাংশিং পায়খৎলগনি। মথং চহিদা লৈবাক অনিগী মরক্তা শান্ন-খোৎনবগী মরী থল্লকপা চহি ১০০ শুরকপগা লোয়ননা চহি অসি পালন তৌরগনি।

অমরোমদা, ভারত অমসুং নিউ জিলেন্দনা ঙসি ঙাকশেল, শিক্ষা, শান্ন-খোৎনবা, হোর্তিকলচর অমসুং ফোরেষ্ট্রিগী লমদা য়ান্নচে মঙা সহি তৌনখি। য়ান্নচে সহি তৌবা অদুদা ভারতকী ওইনা মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্কর শরুক য়াখি।

রেলৱেজ ঃ  কেন্দ্রগী রেলৱেজ মন্ত্রি অস্বিনি বৈষ্ণোনা হায়রি- সরকার অসিনা রেল ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফগৎহন্নবা অমসুং রেল গাড়ি ভারা হন্থহন্দুনা মীয়ামগী চৎথোক চৎশিনদা হেন্না খুদোংচাহন্নবা খোঙথাং কয়া লৌখৎলি। হৌখিবা চহি তরা অসিদা রেলৱেজদা মীওই লাখ ৫ হেন্না থবক পীখ্রে অমসুং লৈবাক অসিদা রেল গাড়িগী এক্সিদেন্ট থোকপগী চাং হন্থহন্নবা থবক কয়া পায়খৎলি।

ৱাফম অসি ঙসি রাজ্য সভাদা রেল মন্ত্রালয়গী শেনবা চহি ২০২৫-২৬ কী দিমান্দস ফোর গ্রান্টস খন্ন নৈনবদা মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবনি। মহাকা মখা তানা হায়- ২০২০ দগী রেলগাড়িগী ভারা হেনগৎখিদে অমসুং য়ুমলোন্নবা লৈবাকশিংগা য়েংনবদা খ্বাহদগী অহোংবা মমলদা টিকেৎশিং ফংহনদুনা লাক্লি। মন্ত্রালয় অসিনা অনৌবা রেল তাল্লিশিং শেমগৎপা অমসুং হান্নগী তাল্লিশিংনা শিন্দোকপগী থবকশিং পায়খৎপনা রেলগাড়িশিং এক্সিদেন্ট থোকপগী চাং অসি

২০০5-০৬ তগী চাদা ৯০ হেন্না হন্থরে। মন্ত্রালয় অসিনা রেলগাড়ি লিশিং ১০ দা কবচ সিষ্টেম হাপচিনদুনা ত্রেন থেংগাইনবগী চাং হন্থনবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি।

রাজনাথ ঃ ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহ অমসুং আমেরিকাগী নেসনেল ইন্তেলিজেন্সকী দাইরেক্তর তুলসি গবার্দকা ঙসি নিউ দিল্লিদা ৱারী শান্নখ্রে। মদুদা মিলিটরি এক্সরসাইজ, তেংবাং পীনবা অমসুং মেরিটাহমগী লমদা ঈ-পাউ পীথোক পীশিন তৌবগী মতাংদা লৈবাক অনিনা খুমাং চাওশিল্লিবশিংগী মতাংদা খন্নখি।

ঙাকশেল মন্ত্রালয়না থোকপা চেরোল অমদা হায়- শ্রী রাজনাথ অমসুং তুলসি গবার্দনা ঙাকশেলগী লমদা অনৌবা ৱাখল্লোন অমসুং তোপ তোপ্পা টেকে ালোজি পুথোকপগী মরমদা হেন্না তেংবাং পীননবা ৱাফমসু খন্নখি।

অকাশবানি পাউমীনা হায়- লুচিংবা অনিনা উন্নখিবা অদুদা ভারত অমসুং আমেরিকাগী মরক্তা লৈরিবা ঙাকশেলগী মরী হেন্না চেৎশিনহল্লগনি।

তেরোরিষ্ট ঃ কাশ্মীরগী কুপৱারা জিলাদা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংগা তেরোরিষ্টশিংগা ঙসি অয়ুক খুৎ থোকবদা তেরোরিষ্ট অমা শিরে। লান্মীগী ৱাঙাংলোই অমনা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্সনা জিলা অসিগী ক্রুমপুরা অমসুং রাজৱর এরিয়াদা তেরোরিষ্ট খরা লোৎতুনা লৈরে হায়বগী অককবা পাউ ফংবদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা মফম অদুদা থিবা হুন্বগী থবক চখখি। ওপরেসন অদু চখরিঙৈ মতমদা লোৎতুনা লৈরম্বা তেরোরিষ্টশিং অদুনা সেক্যুরিতি তমা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবনি। সেক্যুরিতি ফোর্সনা মফম অদুদা এ.কে. ফোরতি সভেন রাইফল অমা ফংবা ঙমখি। হৌজিক তেরোরিষ্টশিং অদু থিবা থবক মখা তানা চখরি।

ইনফ্লেসন ঃ লৈবাক অসিদা মমাং থাদা পন্না পোৎ চৈ য়োনবগী ইনফ্লেসন চাদা ২.৩৮ হেনগৎখি। ঙসি লল্লোন ঈতিক মন্ত্রালয়না ফোংখিবা দেটাদা হায়-

ফেব্রুৱারি থাদা ইনফ্লেসনগী চাং খরা হেনগৎলিবা অসি মপুংওইনা অচাথাউ অমসুং অতৈ থকবা পোৎলমশিংগুম্বা শেম শারবা চানবা পোৎ চৈগী মমল ৱাংখৎলকপদগীনি।

দেবেন্দ্র ঃ  বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমসুং কেন্দ্রগী হান্নগী মন্ত্রি ডাঃ দেবেন্দ্র প্রধান ঙসি অয়ুক নিউ দিল্লিদা লৈখিদ্রে। মশাগী চহি ৮৪ শুখ্রে। হৌজিক হৌজিক কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রি ওইরিবা ধরমেন্দ্র প্রধান লৈখিদ্রবা লুচিংবা অসিগী মচানুপানি।

ৱার্কসোপ ঃ ভারতনা থৌবু ওইদুনা নুমিৎ হুমি চথুগদবা ভারত পেসিফিক লমদমদা লাইচৎ শন্দোরকপদগী ঙাকথোকবা শেম শাদুনা লৈবগী ক্বাদ ৱার্কসোপ ঙসি নিউ দিল্লিদা কেন্দ্রগী হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুম্বালগী রাজ্য মন্ত্রি অনুপ্রিয়া সিংহ পাতেলনা হৌদোকখ্রে। ৱার্কসোপ অসি মপান থৌরম অমদি হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুম্বাল মন্ত্রালয়না পুন্না শিনবনি।

হেকাথোন ঃ   খুন্নাই অমসুং উদ্যোগশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং কোকহন্নবা ইনোভেতিভ ফাইভ জি পৱার সোলুসন পুথোকপগী থবক য়াংশিনহন্নবা পান্দমদা দিপার্টমেন্ট ওফ টেলিকম্যুনিকেসন্স (দোট)না ফাইভ জি ইনোভেসন হেকাথোন ২০২৫ লাউথোকখ্রে। মসি থা ৬ চথুগনি অমসুং মহৈরোইশিং, ষ্টার্টঅপশিং অমসুং পোফেসনেলশিংনা য়াওবা য়াগনি।

বঙ্গলাদেশ ঃঅখন্নবা দ্রাইভ অমদা দিল্লি পুলিসনা বঙ্গলাদেশতগী চংলকপা মীওই ৭ ফারে। দিষ্ট্রিক্ট কম্মিসনার ওফ পুলিস (ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট) অভিসেক ধনিয়ানা হায়-বঙ্গলাদেশ মচাশিং অদু ভারত-বঙ্গলাদেশ ঙমখৈ মনাক্তা তুরেল লাল্লগা নারোনদা ভারত্তা চংলকপনি অমসুং দিল্লি এন.সি.আরগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লোৎতুনা লৈবনি

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোল (এল)ঃ লমলোং থোংখোঙদা লৈবা আর্তিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা চথরিবা মণিপুর ষ্টেট লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা য়ুনাইতেদ প্রোগ্রেসিভ এদল্ট এসোসিয়েসন্না মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবপু পাঞ্জল ৪-১ দা থোইখি। অতোপ্পা মেটচ অমদা মিলন ফুটবোল একাদমিনা রাহি য়ু.সিবু পাঞ্জল ৪-৩ দা থোইখি।

ফুটবোল (এল)ঃ আই লিগ সেকেন্দ দিভিজনগী খুমন লম্পাক ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা স্পোর্টিং ক্লব দি গোৱানা কৈনৌ লাইব্রেরি এন্দ স্পোর্টস এসোসিয়েসনবু পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ক্রিকেট (এল)ঃ অনিশুবা খোমদ্রাম ওংবী হিজম মেমা দেবী মেমোরিএল টি-টৌইন্তি মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী লংথবাল পাব্লিক গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু ললাম্বুং মখোঙনা ৱাই.য়ু.সি.সি. ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেলবু ৱিকেট ৬ তা থোইখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা বি.কে.সি.সি বামোনকম্পুনা এস.এন.সি শঙাইপ্রৌবু রন ১৩ দা থোইখি।

কবাদি ঃ কবাদি ৱার্ল্ড কপ ২০২৫ ঙসি ইংলেন্দদা হৌখ্রে। নুপাগী কাংলুপ্তা গ্রুপ অনি খায়দোক্লুনা শান্নগদৌরিবা ৱার্ল্ড কপ অসিদা ভারতনা গ্রুপ-বিদা য়াওরি। ৱার্ল্ড কপ অসিদা নুপাগী টিম ১০ না শরুক য়ারি। নুপীগী কাংলুপ্তুনা টিম ৬ না শরুক য়ারি। ঙসি অহৌবা নুমিৎকী শান্নবদা ভারতনা ইটলিবু পোইন্ট ৬৪-২২ দা মায়থিবা পীখি।

হন্দক্কী ৱার্ল্ড কপ অসিনা এসিয়াগী ৱাংমদা পাঙথোকপা অহানবা কবাদি ৱার্ল্ড কপ ওইরে।

------